দিসএবিলিটি অমসুং মেন্টেল দিপ্রেসন

(NOT ALL DISABLITIES ARE VISIBLE)

– ডা. সোরাম মনিকান্তা –

প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি,
মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিনা কুমজা ১৯৯২দা য়ানখিবগী মতুংইন্না দিসেম্বর ৩ অসিবু চহী খুদিংগী মালেমগী দিসএবল্ড ওইরবশিংগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা ঐখোয়না নৈনবা য়াবা ৱাফমদি হন্দক্কী থৌরম অসিগী থিম অমা ওইরিবা - not all disabilities are visible" হায়বদি দিসএবিলিটি খুদিংমক মীৎনা উবা ফংদবা য়াই হায়বনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না নুমিৎ অসিবু অপূনবা মীয়ামগী নুমিৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্লি। মসিগী মরু ওইবা ৱাখল্লোনদি দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিং য়াওদনা ঐখোয়না কৈদৌনুংদা অপূনবগী শক্তম শাগৎপা ওইথোক্লোই। ঐখোয় খুদিংমক্না হিংলিবা পুন্সি অসিগী তাঙ্কক অমদা দিসএবল্ড ওইরবা মী অমা হায়বদু ওইরক্কনি। মসি মতম চূপ্পগী নৎত্রগা মতম খরগী ওইবা য়াই। মালেমগী ওইনা হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক দিসএবল্ড ওইরবা মীশক অমগুম চৎথোক-চৎশিন, তৌগদবা থবক, পূক্নিং ৱাখল নৎত্রগা মীয়ামগী থবক থৌরমদা হান্নগুম্না তৌরম্বা অদু তৌবা ঙমদ্রে। মসিমক দিসএবল্ড ওইরবা, শোথরবা মীশক অমগুম্বনি। দিসএবল্ড ওইরবা মীশক অমা হায়বসি মী অমনা ইরায় লায়না তৌবা ঙম্বা থবক অদু পাঙথোকপদা ৱানা থোকই। অসুম্না তৌবা অসিনা মখোয়বু কান্নদ্রবা, চন্নদ্রবা মীওই অমগুম লৌরকই। দিসএবল্ড ওইরবা, শোথরবা মীওইশিং অসিনা থেংনরিবা মখোয়গী খুদোংচাদবশিং, মীয়াম্না মখোয়বু লান্না য়েংলিবা মীৎয়েং, মখোয়দা থল্লিবা অরানবা ৱাখল ময়াম অসি খঙমিন্নদুনা মখোয়বু ইকায়খুম্নবিবা, মী অমা ওইবগী ফংফম থোকপা রাইট অদু ফংহনবগা লোয়ননা মখোয়গী য়াইফনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাং ওইরক্লে। মালেমগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ১৫দি নৎত্রগা মালেমগী অপূনবা মীশিং বিলিয়ন তরেৎকী মনুংদা বিলিয়ন ১দি দিবএবল্ড ওইরবা মীওইশিংনি। মসিগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ৪৫০দি ৱাখল লায়না নৎত্রগা শীংলি-নাওরিগী (neurological) ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা মীমান্নবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ১০০ লোমদি লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংদ্রি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মখোয়বু মী অমা ওইনা শিংথানবা ৱাৎপা, মীমাংদা পুথোক্লিংদবা অমসুং লায়েংবদা ফররোইদবা অমদি শেল তিংনবনি হায়না খল্লি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ মতম অসিদদি দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিং অসিদা অমুক্কা হেন্না মীৎয়েং চঙবা ৱাৎলি।

দিসএবল্ড ওইরবা মীগী মশীং অসি অসুম অসুম হেনগৎলকখিগনি। মরমদি অহল ওইরবা মরু ওইনা চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা অমসুং মখল মখা কয়াগী অনাবা খুদম ওইনা থম্মোয়গী লায়না, কেন্সর, দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, ৱাখল লায়না ময়াম হেনগৎলকপা অসিনসু অচৌবা মরম অমনি। চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী তঙ্খায় অমরোমদি দিসএবল্ড ওইনা হিংলি। নুপী ৫গী মনুংদা ১দি মীমান্নদবা হায়বদু ওইরি। অঙাং ১০গী মনুংদা ১না মখল মখা কয়াগী লায়না নৎত্রগা পোকপদগী লোয়নরকপা অশোয়বা কয়ানা দিসএবল্ড ওইরবা মীওই হায়বদু ওইহল্লি। কোভিদ-১৯ লাইচৎ মতম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না অৱা পোৎলুম পুরিবা মীওই অমা হায়বা তারবদি দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিংনি। চহী ৬০গী মখাদা লৈবা মীওইশিংদা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লিবা অনাবা অমা হায়বা তারবদি মেন্টেল দিপ্রেসন হায়বদি পূক্নিং ৱাখল পিকথবা, শোন্থবগী লায়না অসিনি। মসিনা য়াম্না চাউনা হকচাং অমসুং ৱাখল অনীমক্তা শোন্থহল্লি। দিসএবল্ড ওইরবা অমগুম থবক থৌরম পাঙথোকপা ঙল্লক্তে। পূক্নিং ৱাখল পিকথবগী লায়না অসি হৌখিবা চহী ১০ অসিদা চাদা ১৮গী চাংদা হেনগৎলক্লি। ময়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমদি কোভিদ-১৯ লাইচৎ মনুং অসিদা মীয়াম্না খ্বাইদগী চাউনা মায়োক্নরিবা অসি পূক্নিং ৱাখলগী লায়না লায়ওং অসিনি। ইমুং পুরিবা নুপী কাঙলূপ্তুনা লায়না অসি হেন্না থেংনৈ অমসুং মথন্তা শিজবগী মরু ওইবা মরম অমা ওইরি। য়ূমগী লৈত-লায়র অমদি খুন্নাইগী মীনোক কিবদগী লোৎশিন্দুনা থম্বনা লায়েংনবা হোৎনবা ৱাৎলি। মখোয়শিং অসি কনানসু দিসএবল্ড ওইরবা অমনি হায়না খঙবীদে। মরম অদুনা "not all disabilities are visible" হায়বসি কোভিদ-১৯ লাইচৎ মতম অসিদা অমুক্কা হেন্না পাক চাউনা খঙমিন্নবা মথৌ তারি। মীৎনা উবা হকচাংগী ফীভম দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিংগীদমক্তদি লৈঙাক্লা অনৌবা থৌশিল খুদম ওইনা চীফ মিনিষ্টরগী শোথরবশিংগী তেংবাঙ (সী এম এস টি) পুথোক্তুনা মখোয়গী অৱাবা খঙবীদুনা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা থা-থাগী শেনফম খরা পীরিবা অসিমক অফবা খোঙথাংনি। পূন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অমা শাগৎপনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

দিসএবল্ড অমসুং শোথরবা মীওইশিংবু ঐখোয়না অশোনবা, করিসু তৌবা ঙল্লরোইদবা, কান্নদ্রবা মীওই অমগুম্না খল্লি। মসিমক্তি অরানবা ৱাখলনি। শোথরবা, দিসএবল্ড ওইরবা মীওই কয়ানা মপাঙ্গল, মবুধি, মরৌশিং পুন্নমক য়েংবদা অৱাৎপা লৈত্রবা মীওই কয়ানা তৌবা ঙমদবা থবক কয়া তৌদুনা উৎখ্রে। খুদম ওইনা মখাগী মীশক খরা অসি মমিং পনবা য়াই :-

১) John Nash : ৱাখল লায়না Schizophrenia না নারবা অমেরিকান মেথমেটিসিয়ন অমনি। মহাক মশাগী অনাবা অসিগা মরী লৈননা পুথোকখিবা ফিল্ম - 'A Beautiful Mind' য়াম্না মমিং চৎখিবা ফিল্ম অমনি। মায়পাকপা একাদেমিক করিয়র অমা শেমদুনা কুমজা ১৯৯৪দা ইকোনোমিক্সতা নোভেল প্রাইজ ফংখিবা মীশক অমনি।

২) Stephen Hawking : কুমজা ১৯৪২দা পোকখিবা অদুগা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ১৪দা লৈখিদবা অফাওবা English Theoretical Physicist, Cosmologist অমনি। Amyotrophic Lateral Sclerosis (ALS) হায়বা লায়না অদুনা মশা পূম্বা পেরলাইসিস তৌদুনা চহী কয়া নাদুনা লৈখি। অদুবু মহাক্কী হোৎনবা কনবা অদুমক্না মশাগী চহী ৭৬ শুবা ফাওবা পুন্সিদুনা থোইদোক হেন্দোক্লা Hawking radiation গীদমক্তা মহাকপু ময়াম্না খঙনৈ। অরোইবা মীকুপ ফাওবদা Centre for Theoretical Cosmology, University of Cambridge গী দিরেক্টর ওইনা পুরম্মী।

৩) Ravindra Jain : পোকপদগী মপূং ফানা মীৎ উবা ঙমদ্রবা অফাওবা ম্যুজিক সিঙ্গর অমসুং ম্যুজিক দিরেক্টর অমনি। বোল্লিৱুদ ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমখিবা মীওই অমসুনি।

৪) Jaipal Reddy : থা ১৮ শুবদগী পোলিও নাখিবা ইন্দিয়ন পোলিটিক্সতা মমিং লৈরবা শক্লাইরবা মীওই ওইবতা নত্তনা IB, Science and Technology গী য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিসু ওইরম্মী।

৫) IRA Singhal : Scoliosis হায়বদি য়াংলেন শরূ নাকল অমদা কোন্থবা হকচাংগী মওং কায়বা ফীভম অমনি। মসিনা লেংজুম, খ্বাং অমসুং নিঙ্গোং চাং মান্ননা থম্বা ঙমদে। লেংবা, ওৎপা, চৎপদা খুদোংচাদবদা নত্তনা শ্বর হোনবদা অৱাবা অমসু ওইহল্লি। অদুম ওইদুনসু অখাং কনবগা লোয়ননা কন্না হোৎনবদগী য়ু পি এস সীনা লৌবা সিভিল সর্ভিস এগজাম ২০১৪দা মকোক ওইবা ঙমখি।

৬) Abhishek bachchan : মশাগী চহী ৯শুবা মতমদা Dyslexia হায়বদি reading difficulty লৈবা মরম্না লাইরিক লাইশু তম্বদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনখি। অদুবু মহাক্কী হোৎনজমন্না বোল্লিৱুদ ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা মমিং লৈবা এক্টর অমদি ফিল্ম প্রদ্যুসর অমা ওইনা মমিং চৎলি। মহাক্না পুথোকখিবা ফিল্ম 'Paa' হৌজিক ফাওবা মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা নীংশিংনরি, শোন্নরি। মথক্কী মীওই খরা অসিদি মখোয়না নারিবা লায়না-লায়ওং অদু হায়লাইট তৌনবা হোৎনবনি।

মালেমগী ওইনা লৈবাক খুদিংমক থোং মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনবদা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। য়ু এনগী জেনরেল এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না লৈবাক খুদিংমক থোং মান্ননা চাওখৎমিন্নবগী পান্দম কয়াগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫-২০৩০ ফাওবদা পায়খৎকদবা থৌরাং কয়া হৌদোকখি। মসিবু Sustainable Development Goal - 2030 হায়না খঙনৈ। মসিদা দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিংগী অচৌবা ফিদা অমা পীরি। খুদম ওইনা :-

১) মীপূম খুদিংমক মীচং মীখায় নাইদবা অফবা মখলগী মহৈ তম্বা ফংহনবগা লোয়ননা খূৎশা হৈবগী ত্রেনিংসু নুপা-নুপী, লায়রবা-ইনাকখুনবা, অঙাং-অহল, সহর-খুঙ্গং অমদি খুন্নাইগী শোথরবা, দিসএবল্ড ওইরবা মীপূম খুদিংমক পীনবা হোৎনগদবনি। ৱাফম অসি Goal No. 4দা ময়েক শেংনা পল্লি।

২) মীপূম খুদিংমক, দিসএবল্ড ওইরবশিং য়াওনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবা, শেম্থোক লৈনা হিংননবা, মশানা মশাবু থবক পীনবা শিনবীগদবনি। মসিমক Goal No. 8দা য়াওরি।

৩) SDG-10দা ময়েক শেংনা পল্লিবা অতোপ্পা ৱাফম অমদি থোং মান্নবা, খেন্নবা লৈতবা খুন্নাই অমা, লৈবাক অমা ওইহন্নবা সোসল, ইকনমিক অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা ৱারেপ লৌবদা দিসএবল্ড ওইরবশিংগী মীহুৎশিং য়াওহনগদবনি।

৪) মীয়ামগী য়ূমলৈ কৈরৈ শেমগৎপদা নৎত্রগা সহর অমা লিংখৎপদা নৎত্রগা চৎথোক-চৎশিন (পব্লিক ট্রান্সপোর্ট) অমসুং মীয়াম তিনফমদা দিসএবল্ড ওইরবশিংগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি (SDG-11)।

৫) চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা নৎত্রগা পায়খৎলিবা থৌরম অদু মখা তানা চত্থনবা হোৎনবদা দিসএবল্ড ওইরবশিংগী খুদোংচাবা পীনবা হোৎনগদবনি (SDG-17)। শম্না হায়রবদা লৈবাক্কী চাওখৎ থৌরমদা মীওই/মীওই কাঙলূপ অমা ফাওবা চিংথবা তৌরোইদবনি।

হন্দক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টরনা দিসএবল্ড ওইরবশিংগী স্কিল দিভলপমেন্ট স্কিম অমা পায়খৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু অফবা খোঙথাংনি। মশানা মশাবু থবক পীবা ঙম্নবা শিনবীবনি। মালেমগী অপূনবা মীশিং বিলিয়ন ৭ অসিগী মনুংদা বিলিয়ন ১না শোথরবা, দিসএবল্ড ওইরবা মীওইশিংনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি পূক্নিং ৱাখল পিকথবা (mental depression), না তাবা অমসুং মীৎ উবা ৱাৎপা (Hearing and Visual impairment) হায়রিবা লায়ওংশিং অসিননি। মসিগী মনুংদা মেন্টেল দিপ্রেসন হায়রিবা লায়না-লায়ওং অসিনা দিসএবিলিটি থোকহনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরম অমা ওইরি। মালেমগী ওইনা মীওই ২৬৪ মিলিয়ন হেনবনা মেন্টেল দিপ্রেসনন্না নারি। চাওরাক্লা মীওই মিলিয়ন ১ চহী খুদিংগী সুইসাইদ তৌদুনা শিরি। অসিদসু নত্তনা লায়না অসিনা লৈবাক অমগী শেল থুমগী ফীভমদসু অঙকপা ফংনা শোকহল্লি। মেন্টেল দিপ্রেসনন্না মতম শাংনা নাদুনা লৈবা মরম্না মায়পুনবা থবক শূবা ঙমদে। হীরম খুদিংমক্তা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ৱাৎলি অমসুং পোজিটিভ ওইবা ৱাখল খনবা ঙল্লক্তে। শিবনা ফরে খল্লকই। কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিদা মীওইবগী হকশেলদা খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং পীরিবা অসি মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেম অসিনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মেন্টেল দিপ্রেসন মতম চানা খঙদোক্তুনা লায়েংলবদি মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগনি। ঐখোয় পূন্না মেন্টেল দিপ্রেসনগী মরমদা খঙমিন্নদুনা লায়না অসি থেংনবা মতমদা দিসএবল্ড ওইরবা মীওই কয়া মতেং পাংবা ঙমগনি। মালেমগী দিসএবল্ড ওইরবশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ঐখোয় খুদিংমক কোভিদ-১৯ অমসুং মসিনা ওইহল্লিবা মেন্টেল হেল্থ প্রোব্লেমশিং খঙমিন্নদুনা তুংগী মীরোলগীদমক মেন্টেল হেল্থ ফগৎনবা হোৎনরসি। ●

ꯃꯥꯡꯈ / DOCUMENT LOST

I have lost my Admit Card and Mark Sheet cum Certificate of HSLC Examination, 2018 bearing Roll No. 32364 and Registration No. 1403229011 of 2014 issued by Board of Secondary Education, Manipur on the way between Kakching Khunou and Imphal on 20/11/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Mayanglambam Nimaichand Meitei**
S/o M. Thoi Meitei
Kakching Khunou Umathel Awang Leikai
6909877828

HL-P/8182/5

ꯑꯋꯥꯕ/ অৱাবা ফোঙদোকচবা

চৎলিবা থা অসিগী তাং ৩/১২/২০২০, শগোলশেল নুমীৎকী নুংথিল পুং ২ রোম তাবা মতমদা শ্রী লোংজম ইবোতোন মৈতৈ (৫৪) চ্যেরপর্সন ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা বি পি ষ্ট্রোকনা মরম ওইদুনা খঙহৌদনা তাইবং মাগী শিন্থা লোইদুনা মপূ মাগী খূয়াদা তিনখ্রে। মপূগী খূয়াদা তিনখ্রবা শক্লাইরবা অসিগী অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা ঙসি তাং ৪/১২/২০২০ ইংগী অয়ূক পুং ১০ তাবা মতমদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱার্দ নম্বর ২, ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাইগী ওফিসতা ওফিস বিয়ররশিংনা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা মহাক্কী থৱায়না মপূগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবা থৌনীজবগা লোয়ননা মহাক্লা তৌরম্বা থবকশিংবু শীংথাখি।

Sd/- 1) Th. Brajamani Singh
Member, Ward No. 2, Wangoi Municipal Council
2) Thounaojam Ranjit
Ward Member, Wangoi Municipal Council
Ward No. 2

HL-P/8185/5

ꯁꯦꯡꯗꯣꯛꯆꯕ / শেংদোকচবা

হৌখিবা নবেম্বর থাদা চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সকী কম্পাউন্দ ৱাল শানবগীদমক্তা থবক পায়খৎলুবদা উরিপোক মচিন্দা লৈবা Dr. Thingnam Kisan, Yumnam Token অমদি Aribam Rajen অহুমগী নীংশিং খূভম ওইরিবা Mapari Ningsingkol Lup কী কমপ্লেক্সতা অকায়-অতোয় থোকখিবা য়াওরে। হায়রিবা থৌদোক অসি ঐখোয়না অতম্নবা তৌগে হায়দুনা তৌখিবা নৎচদে। থৌওং অসিনা লৈবাক মীয়ামগী অমদি MANIL গী সেন্টিমেন্ট শোকখিবগী অরান-অশোয় ঙাকপীয়ু হায়না মীদিয়াগী খূথাংদা মীয়ামদা থমজরি।

শেংদোকচরিবা : **H. Bihari Singh**

HL-P/8179/5

ꯅꯨꯡꯁꯡ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6572/1-30/12

ꯃꯥꯡꯈ / BANK PASS BOOK LOST

I have lost my bank pass book of State Bank of India (SBI) Porompat Branch, bearing A/c No. 20114451402 issued by Branch Manager on the way between Kwakeithel Bazar and Babupara, Imphal on 01-12-2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Loken Singh Sanabam**
Yairipok Khoirom Mayai Leikai
8974438912

HL-P/8191/5

ꯁ꯭ꯔꯤꯁ꯭ꯔꯤ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পূন্নমকপু কোনবীরম্বা **লৌরেম্বম গুনমণি (নিংথৌ) সিংহ**—না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুন্নমকপু থাদোক্লুম্লগা হৌখিবা তাং ৩০/১১/২০২০ হিয়াঙ্গৈগী ১৫নি পানবা (পুর্ণিমা) নিংথৌকাবা নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ মধুসুধন চৈত্যনা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ৫/১২/২০২০ হিয়াঙ্গৈগী ২০নি পানবা থাংজ নুমীৎতা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৩/১২/২০২০ ইং হিয়াঙ্গৈগী ২৯নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা চিড়া উৎসব (শ্রাদ্ধ) দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মানা ঈশ্বরগী খূয়াদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক ঙমজবা হে-লৈ খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পূন্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

মফম : পিশুমথোং নোংথোম্বম লৈরক ইমোইনু কম্যুনিটি হোল

থৌরম পরেং : হৌবা-অয়ূক পুং ৮:৩০
লোইবা - অয়ূক পুং ১০:৩০

বিনিতগণ ঃ

লৌরেম্বম ওংবী থৌনাওজম সত্যাভামা দেবী (সহধর্ম্মিনি)
লৌরেম্বম জ্ঞানেশ্বোরী দেবী (মচানুপী)
লৌরেম্বম খৃষ্টিনা দেবী (মচানুপী)

পিশুমথোং নোংথোংবম লৈরক, ইম্ফাল ৱেষ্ট

HL-P/8171/4,5&6

ꯊꯕꯛ ꯀꯧꯖꯔꯤ / থবক কৌজরি

মশাগী চহী ১৮দগী ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা নুপাশিং অমদি ইচে-ইচলশিংনা Security, Warden, Driver, Helper, Cook, Chowkidar অমসুং Gunman গী ওইনা থাগী Pay Rs. 10,000/- দগী হৌজগনি। মথক্তা পঙ্গরিবা থবক্কী পোষ্টশিং অসি অথুবগী ওইনা কৌজবনি। অহাঙবা মফম লৈবগীদমক লোয়ননা থবক্কী অহাঙবা পোষ্টশিং অসি এপ্লাই তৌবীনিংবশিংনা মশা-মশাগী Aadhaar Card, Passport Photo (2) অমসুং Qualification Certificate পুবীরক্তুনা ওফিসতা অথুবদা এপ্লাই তৌবীবা য়াগনি।

Contact No. : 7629835413 / 9612445120
Office Hours : 10.00 am to 16 hrs.

Sd/- **Managing Director,**
SSG (Social Security Guard)
Uripok Laikhurembi

HL-P/8190/5

MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION LTD.
(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)
IMPHAL, MANIPUR.

ꯈꯪꯖꯤꯟ
NOTICE INVITING e-Tender

The Executive Engineer-II, MPHC Ltd. Imphal, invites on behalf of the Managing Director, MPHC Ltd. online item rate bids in two bid system for the following work:

No.e-tender 07/EE-II/MPHC/2020-21 dated 03/12/2020, Name of Work: "Construction of Ima Market at Kwakeithel Bazar, Imphal West" (i) Estimated Cost: Rs. 2,85,04,829 /- (ii) Earnest Money: Rs. 5,71,000/- (iii) Period of completion:12 (twelve) months. Last date of submission of bid: 1400 hrs of 11/12/2020.

The bid forms and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

HL-B/6582/5

Government of Manipur
Craftsmen Training Scheme
Govt. Women's ITI, Imphal,Takyel.

ꯈꯪꯖꯤꯟ / NOTICE
Imphal, the 4th December,2020.

No.1/2/93-W/ITI: It is hereby notified for information to all the concerned Trainees who will appear AITT (All India Trade Test) final Examination under SCVT, 2020 in respect of Govt. Women's ITI, Imphal that the final Trades Test Will be held w.e.f. the 9th December,2020 onward;

The examination schedule are as follows:

Date&Day	Time of Commencement	Duration(year)	Subject/papers
09-12-2020 to11-12-2020(Wednesday to Friday)	9.30 a.m.	One year	Practical
14-12-2020(Monday)	9.30 a.m.	One year	Paper-I(theory)
15-12-2020(Tuesday)	9.30 a.m.	One year	Paper-II(Employability Skill)

Sd/- O.Shushilkumar Singh
Principal,
Govt.Women's ITI,Takyel,Imphal.

HL-B/6583/5

Government of Manipur
Office of the Divisional Forest Officer: Kangpokpi Forest Division
Kangpokpi: Manipur

ꯈꯪꯖꯤꯟ / E-Auction Notice No.1 of 2020
Imphal, the 3rd December, 2020

No.5/8/2017/DFO-Kpi: - With the approval of the State Government conveyed vide letter No. Forests-101/14/2020-FE-Dept (For & Envt) dt. 02.12.2020, it is hereby notified to all the registered Forest Contractors/HPC cleared Saw mills/WBUs in approved Industrial Estates/intending Individuals that 2,712 pieces of confiscated sawn/scantling Teak timber containing 449.5173 Cum (15,872.45 cft) in 19 Lots lying in Mantripukhri Forest Complex, Imphal shall be sold by e-auction on 16th December, 2020 at 11.30 AM at Forest Head Office, Sanjenthong, Imphal.

Intending bidders may register and apply for the e-auction on the Forest Department's portal **forest.manipurforest.gov.in** from 4th December, 2020 to 15th December, 2020 (upto 11.59 PM). Details of the timbers, floor price, terms and conditions etc can be seen from the Department's portal.

Sd/- Divisional Forest Officer
Kangpokpi Forest Division
Government of Manipur

HL-P/8181/5

ꯂꯥꯏꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / লায়েংজরি

UMA AYURVEDIC CLINIC
(DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফন্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙল্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হান্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙল্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking.

HL-B/6498/03/11-02/12

ADMISSIONS OPEN FOR THE ACADEMIC YEAR 2020-21

HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW!!!

STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES FOR MANIPURI STUDENTS

COURSES OFFERED

MBBS
BDS
BAMS
BHMS
BMLT

B.PHARM
M.PHARM
PHARMA.D
D.PHARM
BPT, MPT

BE
MBA
MCA
BHM
GNM

BCA
BBA
BCOM
MCOM
LLB

BSc NURSING
BSc, MSc NUTRI
PBBSc NURSING
MSc NURSING
M.TECH..etc.

OFFICE TIME: 8AM TO 4PM
CONTACT US: 8310788408, 9035374340, 7005156406
SAGOLBAND MEINO LEIRAK, IMPHAL.

HL-P/8183/5/12-4/01

ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- **SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO**
- **RHYME TEACHERS TRAINING COURSE**

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6513/5,7,9

পাউচে অসিদা ফোঙদোকরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অথবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্তুনা মরী লৈনদে।